ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯲, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯹꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুলাই ০২, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৯৪শুবা মশীং

## নোংজুগী চাং হন্থরক্তুনা শাবা হেনগৎলকপা
### ঈশিং লৈরক্তবনা মহৈ-মরোং থাবদা অপনবা থোকহল্লকপা

নোংজুগী চাং হন্থরকপগা লোয়ননা শাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী হৌজিক তোঙান-তোঙানবা মফমদা মীয়াম্না খূদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরি। লৌ-শীং উবা অমসুং মহৈ-মরোং থাবদা শীজিন্নগদবা ঈশিংদি লায়রদনা ঈরুজ-মায়থজনবা, ফিশু-ফিজান্নবা অমসুং থক্নবগী ঈশিং ফাওবা লৈশিল্লক্তবগী ফীভমদা লাক্লে। শাবগী চাংসু মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা হেনগৎলক্লি। মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, মিজোরাম অমদি ত্রিপুরাদা প্রি-মন্সুনগী নোংজু চাদা ৩৮ লোম হন্থরে হায়না ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)গী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। মহৌশানা অঙৈংবা মফমনি হায়না লৌনরিবা অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেট অয়াম্বদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩৬ তগীনা ৩৮ ফাওবা য়ৌরকপনা মীয়ামদা চাউনা খূদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে। আই এম দিগী রিপোর্ট অমনা হায়, প্রি-মন্সুনগী মতমনি হায়না লৌনরিবা মার্চতগী মে ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা নোংজুগী চাং মিলিমিটর ৫২০ ওইগদবদা শুপ্পগী এম এম ১৮১ ওইখি। অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেটশিং- মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মেঘালয়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিকিম অমসুং ত্রিপুরাদা মহৌশানা জুনদগী সেপ্টেম্বর ফাওবদা মরাং কায়না নোং চুবনি। প্রি-মন্সুনগী মতমদা নোং চুখিদবা অমসুং নোংজুথা য়ৌরক্লবা ফাওবা নোং চুরক্তবগী মতাংদা ইন্দিয়ন কাওন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিছর্সনা হায়, শাবগী চাং ৱাংখৎলকপনা লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা ঈশিং পূন্নমক মনিল ওইনা মাঙখিবা অমসুং নোংজুগী চাং হন্থরকপনা কুমগী মহৈ-মরোংশিং মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্লোইদবগী ফীভমদা লৈরে। মীওই অয়াম্বনা মতম পূন্নমক্তা ঈশিং ফংদুনতা লৈগদৌবা মাল্লবসু ঈশিং হায়বসি লোইবা নাইবা পোৎশক্লি। কুম অমখক নোংজুগী চাং হেক নেম্বদা লৈবাক্কী মফম পূন্নমক ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লগদৌরিবনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা "দে জিরো"গী ফীভম ফাওবা ওইহল্লকপা য়াই হায়না য়ুনিয়ন জল শক্তি মিনিষ্ট্রিনা মীয়ামদা চেকশিন-ৱারোল পীরি। "দে জিরো" হায়বসি লৈবাক্কী মফম পূন্নমক্তা লৈঙাক্লা তোতিগী ঈশিং পীবা লেপ্তুনা লৈকাই-লৈকাইদা চেঙ অমদি কেরোসিন য়েনবগুম য়ূমথোঙ খূদিংগী অকক্নবা চাংদা মীশীংগী মতুং ইন্না ঈশিং য়েনবগী থৌওংবুনি। য়ুনিয়ন জল শক্তি মিনিষ্টর গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা হন্দক্তা ষ্টেট পূন্নমক্কী ৱাটর মিনিষ্টরশিংগা ন্যু দিল্লিদা উনরবা মতুংদা হায়খি, ষ্টেট ১৭কী সব-দিভিজন ১,০৩৩দা ঈশিং মরীক অমা ফাওবা ফংহনবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে।

লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা ঈশিং লৈশিল্লক্তবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক্তা ষ্টেট পূন্নমক্তা অইবা চেরোল থাদুনা অরেম্বদা ঈশিং মাঙহন্দনবা অমসুং ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্নবগী থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখি। ষ্টেটকা মরী লৈনবা ৱাফম ওইবনা হীরম অসিগী মতাংদা মোদেল বিল অমা শেম্নগা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খূদিংমক্তা য়েন্থোক্তুনা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্নবা অমসুং লৈনুংগী ঈশিং হৈ-শিংনা শীজিন্ননবগী মতাংদা লেজিসলেসন অমা চৎনহন্নবা খঙহনখি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১৫ না মোদেল বিল অদুগী মওং লৌরগা মশামশাগী ওইবা লেজিসলেসন চৎনহনবা লৈখ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ জল শক্তিগী মখাদা লৈবা সেন্ট্রেল গ্রাউন্দ ৱাটর বোর্দনসু লুপা ক্রোর ৭৯,১৭৮ চঙনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্নবা থৌরাং লৌখৎলে। মিনিষ্ট্রি ওফ হাওজিং এন্দ অর্বান অফেয়র্সনসু মোদেল বিল্ডিং বাই-লো ২০১৬ শেমদুনা স্কৱার মিটর ১০০ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না পাক চাউবা মফমদা শাবা য়ুম খূদিংমক্তা নোংগী ঈশিং য়োক্তুনা থম্নবগী থৌরাং য়াওহন্নবসু খঙহনখি। মণিপুর, সিকিম, মিজোরাম অমদি লক্ষদ্বিপ নৎতনা অতৈ ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খূদিংমক্তা মশা-মশাগী ওইবা বিল্ডিং বাই-লো চৎনহনবা লৈখ্রে। পূন্নমক অসি ওইদুনসু লৈবাক্কী মফম পূন্নমক্তা হৌজিক ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরি। হীরম অসিগী মতাংদা ফিলেম রোহন কৌবা মণিপুরী মচা অমনা কাশ্মীরদগী কন্যাকুমারী ফাওবা সাইকল থৌদুনা চৎলগা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিন্নবা হোৎনরি। জুন ১৫ দা শ্রিনগরদগী খোঙশানখিবা মণিপুরী মচা অদুনা চয়োল ১২ চঙনা অমৃতসর, চান্দিগর, দিল্লি, অগ্রা, জয়পুর, অহমেদবাদ, মুম্বাই, হায়দরবাদ, কর্নুল অমদি বেঙ্গলুরু ফাওরগা কন্যাকুমারীদা থুংলুগনি। ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মালেমদা হৌজিক মীয়াম্না থেংনরিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা প্রোব্লেমশিংগী মনুংদা ঈশিং লৈশিল্লক্তবা হায়বসিসু অমনি। কনাগুম্বা খরনা চেকশিন্দবা মওংদা ঈশিং মাঙহনবা অমসুং মফম খূদিংমক্তা ঈশিং লৈশিল্লক্তবনা মরম ওইরগা ২১শুবা চহীচাদা শোক্লগদৌরিবা মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাওদি ঈশিংগী মতাংদা শোক্লবা লাল ওইগনি হায়নবা লৈরিবনি। হীরম অসিদা মীপূম খূদিংমক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা অরেম্বদা ঈশিং মাঙহন্দনবা, নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্নবা অমসুং মহৌশাগী খল কায়হন্দনবা থৌরাং লৌখৎফম থোক্লে।

## মণিপুরগী লৈঙাক্তা চরাংনবা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৫৫৮

জিতেন নামৈরাকপম



মতম অমদা কনাগীসু মীখা পোন্দনা মনীং তম্বা লৈবাক অমা ওইনা মনীং তম্না পাল্লন্মী হায়রিবা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম খল্লুবদা পূক্নিং নুংশিবা ফাওরকই। ওন্থোক্লা তোন্না মীয়ামশিংসি হিংলি। বৃটিশনা লোয় চন্দুনা থম্লম্লবা মতুং নীংখা তম্লে লাউথোক্লম্বা ইকুই কুইদনা ইনি দয়াগী মনুং চন্না থমখ্রে। হৌজিকসু দিল্লি লৈঙাক ময়োন্দা হায়জবগা, নীবগা, চানবীনবা ঙাইহাক লৈতনা চৎনরি। শ্বায়দবুদি ভি আই পিনি, ভি ভি আই পিনি হায়দনা মীওই কয়ানা চয়োম শাদুনা ফিরাল হাইরগা গাড়ী মরী-মরী থৌখিবা, মীয়াম্না লম্বীগী মতাইদা হায়দোক্নবা, অচৌবা মন্ত্রি, মন্ত্রি মকোক, এম এল এ চৎখ্রে ঙাঙনহৌবা, মখোয় লাকপদা কোক নোল্লগা খূৎ লোন্নবা, মখোয়সু খ্বাইদগী চাউরিবসি ঐনি হায়না মুকচবা, মুদ অমা কাজবা অদুদগী এয়রপোর্ট য়ৌদুনা এরোপ্লেন তোং-খ্রগনি, মদুনা দিল্লি য়ৌখ্রবা মতুংদদি শ্বায়দা য়াম্না চাউরম্বদু খংপিক অমুক পিকশিনখ্রগনি।

ঐখোয় শ্বায়দা খুঙ্গংগী মী অমনা মখোয় উননবা হায়জবা, নোঞ্জবগী ফীভমদুনি। প্রাইম মিনিষ্টর, হোম, দিফেন্স, ফাইনান্স মিনিষ্টর উননবগী এপোইন্টমেন্ট ফংইগা, ফংদেগা ঙাইদুনা লৈগনি। মপান লমদা চৎখি নৎত্রগা উনবগী মতম পীরক্তে হায়দুনা নীংবা কায়না হল্লকখিবসু কয়ানি। অমরোমদসু মখোয়না নিরুদ্রগদি মণিপুরগী মীয়াম ৱাগদৌরি। নুমিৎ হুমনি-মরিনি ঙাইরগা আ-দা দিল্লিদা কেম্প তৌনরিবশিংনা উন্নবা য়ারে চঙলুরসি হায়দুনা মখোয় ৭/৮ গ্রোং-গ্রোং হুপচিল্লি। হরাউবোই-নুংঙাইবোই ৱাকৎনবা শেল, প্রোজেক্ট নিরুনবা। মীগী কাদুদা থারিবা ফম্ফম সোফাদুদা মখোয় য়াম্মনখিদনা কৃক-কৃক ইন্ননা ফম্মী হায়নৈ। ফম্ফম লৈতদনা সোফাগী পাম্বোমদা নপ্পগা মখোঙদু ফ্লোরদা তাবা ফংদনা চেপ্পগা ফম্বগসু য়াওই হায়নৈ। খল্লুবদা নোকপু নোক্লিংই। ইকায়বীবসু ফাওই। অদুদগী মখোয়গী ৱাকৎ হঞ্জিন-হঞ্জিন তাবদা মন্ত্রি মপিদু পেনবা, ওকপা হায়বদু য়ৌরবজাৎনি। মুন্না তারগা য়েংশিনগে, খন্নখিগে হায়রগা য়ারে চৎলো-চৎলো নয়ূমদা হনখ্রো হায়দনা তাল্লকপগসু য়াওখি হায়নৈ। অদুদগীদি মেন মান তাদনা ইম্ফাল তম্না পাইরক্লনি। এরোপ্লেন্দগী হেক কুমথবদগীদি দিল্লিদা পিকক্র পিক্লম্বদু খঙচাউ অমুক চাউখৎলক্কনি। মশোংগা ফনগৎলগা অদু হায়রম্মে, অদা হায়রম্মে, ৱাথোক লোইশিল্লগনি হায়দনা প্রেসমেনশিংদা ব্রিফিং পীবা অসি মঙায়।

চীফ মিনিষ্টর শিনবগী ৱাফম লৈতে। ইমুং মনুংগী তাথোক তাশিন তৌনবা, দিভলপমেন্ট তৌনবা ৱা তানরুবনি, লায়েংবা চৎলুবনি, লন্নাই থবক্কী চৎলুবনি, প্রেসনা মথোং মরম খঙদনা ৱাখলনা শাগৎলগা পংইদা ইবা তৌবীগনু কায়না প্রেসপু মচিন থীবসু তাহল্লি। মচিন থীরিবদি মখোয়নি। হোদ্রোং হোনা উরবদো! মখোয়না তৌরিবা, মখোয়গা নক্নবশিংদগী পাউ লৌরগা ফোঙবনি হায়বসিদা করিবু লাল্লিবগে? হৌজিকসু মখা অদুম চথরিবসি মঙায়।

বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অমা মণিপুরদা লাক্লে, অওনবা খরদি পুরক্লে হরাউনখি। বন্দ, ব্লোকেদ তাখিদ্রে, পেট্রোল লুপা ১০০/২০০গী অহিং য়ারেক্লগা ক্যু শাংনা লেপ্পদ্রে, মীয়ামগী ৱাকৎ হকথেংননা তাবিরগা এক্সন খুদক্তা লৌখৎলে, য়ূম শাবীবা, গ্যাস কনেক্সন লেম্না পীবীবা, হকশেলগী...। অমরোমদনা অমুক চেঙ তাঙখৎলকপগী, নুংতিগী শীজিন্নবা পোৎলমশিং মমল হেনগৎলকপগী, শেলগী ভেল্যুনা নোংম-নোংমগী হন্থরকপা, শূফম নোম্ফম খঙদ্রবা, অন-এমপ্লোয়মেন্টকী অমদি অতোপ্পা হীরম কয়া অমগী মীয়াম্না ৱানরিঙৈসিদা লুচিংবা মুন্নবগী লান মচা-মচা তৌনরিবসি ওন্থোক্লা মতাং চাদে ঙাঙনরি। কনাগুম্বনা অমুকসু হায়, চীফ মিনিষ্টর বিরেনসিবু কয়ামুক ফৎত্রবা জাৎনো? ঐখোয়না তাবদি মানা তৌরকপা অফবা চাওখৎ থৌরাংগী মরমদা তাই। থোইদোকপা মীয়াম্না য়ারোইদবা থবক তৌরুবগী মতাংদদি থোয়না থেংনদ্রি। লৈঙাক পায়রকপসু চহী অনী মখায়রোমদা ঙায়রি। চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকউ, মতিক চাদ্রে হায়বদুদি মীচম মীয়ামগী খোল্লাউ লাউরক্কদবনি। মখোয় মশেল মুক্লরগা মীয়ামগী পূক্নিং লৈতাহন্দবদি ফত্তে। য়াম্না থুনা য়াশিন্নবা পুরকপা ফৈ নৎত্রগদি চফু কায়রগা ক্লাক্লা হরাউই হায়বগী ফীভম তাদুনা তোক্কনি।

মণিপুরদা লুচিংবা মুন্নবা, নিংথৌ খুভমগীদমক মচিন মনাও, মপা-মচা মুক্লবা, করিগুম্বদা হাৎতোক্লবফাওবা য়াওখ্রে। পূন্নমক্কী ফল অফবা অমত্তা পুরকখিদে। লুচিংপুরেল ওইরিবনসু মীচং মীখায় নায়দনা ঐ মঙায়রে, ঐমুক চাউবা লৈত্রে, ঐনা হায়বা ইনগদবনি হায়বরোমদা চত্তনা পূন্নমক মান্নবা মীৎয়েংন য়েংদ্রগদি মুক্লবা, খৎনবা, শাউনবা থোরক্কল্লি। ময়াম পূন্নমক খোমজিন তাশিল্লগা পূন্নমক্লা য়ানবা চৎপা তাই। ময়ামদুবু নিংথিনা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বদুনি অফবা লুচিংবা হায়নরিবসি। ফম মুন্নবগী ৱাথোকপুদি ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদসু থোকখি, থোরকখিগনি। তৌবতবু হন্দক্কী মণিপুরগী ওইনদি হৈরাংলিঙৈদা য়ুরাংবা হায়দুনি, মতাং ইচা চাফাৎত্তবদুনি।

তশেংনা হায়রুরবদি মখোয়গী ওইবা গভর্ণমেন্ট মনুংগী ঈরাংসিগী মতাংদা ইদুনা মমল য়াল্লবা পাউচেগী স্পেস অমা কনবা হায়বসি ওন্থোক্লা পাম্মুখ্রে। মীয়াম্নসু তানীংদ্রবনি, পানীংদ্রবনি। অদুবু ইশাদা খল্লকপা পূক্নিংগী ৱা খরা ফোঙদোক্লুবতনি। ইস্যু ময়াম্না য়োমদুনা লৈরবা লমদম অসিদা ঈংনা চিক্লা, অৱাৎ অপা লৈহন্দনা, শান্তি ওইনা পানবা করম্বা নুমিত্তা ওইরক্কনি। বন্দ পেল্লে, ব্লোকেদ পেল্লে, হাৎনবা-শুনবা পূন্নমক পুমপেন পেনবা হায়বদু য়ৌরে। মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎখ্রবা ওনরেবলশিংনসু মীয়ামগী থৌগল তৌগনি, চাওখৎ লমজেলদা মাঙজিল থাহনগনি হায়না ৱাশক্লম্বশিংদু কাউবীগনু! ফম মুন্নবা তোকপীরো। মীয়ামগী য়াইফনবগী হীরমদা কোক থাদবিরো হায়জনীংই। ●

## মৈতৈগী লৈশেম্লোন মিথতা কোবী : মীওইবগা তীল-কাঙগা লৈনবা মরীবু তাক্লিবা ৱারী

ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী

তাইবাঙপান অসিদা মশীং থিঙমদবমখৈ লৈরিবা তীল-কাঙ পূন্নমক মাগী মাগী শিন্থা পাঙথোক্লি। মখোয়না তাইবঙ মীওইবদা কান্নাবা কয়া পীরবসু ঐখোয়না মখোয়বু য়েক্লবগুম্না খন্দুনা হাত্তোকই। খুদম ওইনা হায়রবদা কনাগুম্বা অমনা ককচেং উবা মতমদা লেম্না খক থাদোক্তে। মরমদি মখোয়না ঐখোয়গী চান থক্লবা পোৎলমশিং, ফি-রোল মরক্তা অমদি ঈশিং-মাইশিংদা হেক হেক য়াওরম্মি। মতম অদুদা ঐখোয়না মখোয়বু তমথীনা খল্লি। অশেংবগীদি মখোয়গীদি মদু মনাৎনি। ঐখোয়না খন্থরুদবা অমা লৈ মদুদি মদুমক্লা ঐখোয়দা অমাঙ অতা থোকহনবা নত্তে। অঙাং ওইরিঙৈদা ঈরোইবা হৈনবনি হায়দুনা হৈবোং নত্ত্রগা হৈবূং মনংদা য়াওবা কাকচেং, করিগুম্বদা কাকচেং অপিকপা অদু ফারগা হিংনা চাখিবা ময়ামদো, শিবা নাবা করিসু থোকখিদে। অমরোমদা তীল-কাঙশিংনা তুংদা থোলক্কদবা কয়াগী খুদম চাংদম পী হায়না থাজনৈ। লুহোংবগী মঙানি শুবা নুমিত্তা নুপা ময়ুমদগী পুরকখিবা চেঙনুংশাং অদু কায়থোকপা মতমদা চেঙ মরক্তা ককচেং, মো মানচিংবা তীলশিং য়াওরম্লবদি মচাক মথুম পীবা অমদি চাদা নাউদা পীবগী খুদম্নি হায়দুনা হরাউ নুঙাইবা ফোঙদোক্লে। ককচেংশিংনা মচিঞ্জাক পুরগা মরী মরী চৎলবদি নোং শোয়দনা তারগনি হায়বা খঙই। থরাইকোপী পাইরক্লবদি নোং শোয়দনা তাগনি হায়নৈ। ঐগী ওইনদি চুম্মী হায়নীংই। ইশামক্লা থেংনজখিবনি, অয়ুক য়াহৌরকপদা ঐখোয়গী মাঙ্গোন্দা থরাইকোকপী লোংদা তারগা মখোং ফ্রিং ফ্রিং কাওরগা লৈরম্বসি মশীং ফনা য়ামখ্রে। অদুম্না লৈরম্বা খুদিংগী নোং অদুম্মক চুখি, কনবা কন্দবনা ৱাফম অমনি। নাপী হৌরবদু অকংবা মফমদা চঙলুবদা ইথা থাজদনা কাকফৈনা চীক্লবদি নোংগী মপাউ পূরকপনি হায়না অয়াম্বনা থাজনৈ।

অমরোমদা চুম হায়না খঙনবা জিব অসিনা কনাগুম্বা অমগী হকচাংদা তারকপা মতমদা মাংই হায়দুনা ঈরুজথোক্নে। অদুবু অমরোমদা অখঙ অহৈশিংনা থম্বীবগী মতুং ইন্না চুম্না মীওইবগী হকচাংদা তাবা মফমদুগা মী অমগী পূন্সিদা থোকপা অফ ফত্ত থৌদোকশিংগা মরী লৈনৈ। খুদম অমা অনী লৌখৎলবদা চুম্না কোক্তা তারবদি লন থুম হেনগৎলি, ঙক্তা তাবদি লৈতেং ফংই, খৌরিদা তাবদি লাইবক ফবা ওই, নঙ্গন্দা তাবদি লৈবাক ফংই। নীংদুদা তাবদি কোক্তা থাঙনা শোকই অসিনচিংবনি। কনাগুম্বা অমগী মনাক্তা খোই অমনা হঞ্জিন হঞ্জিন ঙংদুনা পাইররবদি পাউ অমা লৈরে খঙনৈ। নোং চুগনি নৎত্রগা লেপ্তুনা চুরম্বদগী হাংগনি হায়বসি পূকসি ময়াম পাইরকপানা খঙহল্লি। মতৌ অসুম্না মীওইবগা তীল কাঙগা লৈনরিবা মরীবু খঙবগী ওইরবসু য়াই, জৈনিজম চৎপা কাংবুশিংনা থৱায় পানবশিং হাৎপা য়াদে হায়না পাউজেল পীরম্লিবসি। মীওই খরনদি কুমজেং, চিকৃবী, হারৌ, থরোইকোকপী, কৌজেংনচিংবা ঙৌরগা চাবসু য়াওই। তীন্থোকপু খোইচাক ওইনা শীজিন্নৈ। নাচন খোঙয়াম্বী মখল অমা কেন্সর ফহনবা ঙম্বা হীদাক্লি হায়না শীজিন্নখিবগী ৱাফমসু লৈ। কাঙ তীনখাক, তীল্লাইখোম্বীনচিংবা কালেনগী মতমনি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলি। মসিনা লোইবা নত্তে, খোইমুশিংনা লৈকোদা তোংবা, মৈরানবীনা মৈনুংদা চোংশিনবা উরগা শৈরেংবা শৈরেংবী কয়াগী পূক্নিং লৌশিং ওইদুনা ঈশৈ শৈরেং কয়া পুথোক্নরক্লি। খোইশিংগী মপান্দগী নৎত্রা, ঐখোয়না খোইহী ফংজরিবসে? লৈমতীল লৈরম্বনা ঙসি মমল য়াল্লবা মুগাগী ফি পুথোকপা ঙল্লিবনি। ঐখোয়গী থাজবীদা মুগা লংগী ফিবু ফি অশেংবনী হায়না লাই তীলগী থৌরমদা শীজিন্নৈ। তীল-কাঙগা মীওইবগা লৈনবা মরীগী মতাং মোইরাং কংলৈরোনগী খম্বা থোইবী ৱারীদসু য়াওরি। অঙোম নোংবান অমদি য়ুবরাজ চিংখুবা অনীনা মোইরাং খোরী কৈথেন্দা শামু খোঙয়েৎপগী থৌদোক্তা কবুই শলাং মাইবনা খম্বগী মথৱায় মমি কৌবদা তন্দন ওইনা পাইরকখি। তন্দন অদু থোংলেন্না ফারগা খম্বগী খোয়দৌদা থম্লগা শলাং মাইবনা লৱাই লেম্ফুদা লাইশোন শোল্লগা কামদুনা খম্বগী থৱাই হাপখি।

তীল ময়ামগী মনুংদা কোবী হায়না খঙনবা তীল অসি মীপূম খূদীংমক্লা ইরায় লায়না খঙনৈ। হায়রিবা তীল অসি করিগুম্বা মতমদা লৈনুংদা হুৎলগা লৈ। মচু মুরৈনরপ তৌবা তীল অসি মখোঙ মরি পাল্লি। মচীঞ্জাক পুবা মতমদা মতুংগী মখোঙ অনীদু থাঙ্গৎলগা মতুংলোমদা ঈল্ল ঈল্লগা পুই। মৈতৈগী লৈশেম্লোনগা মরী লৈনবা মিথ অমগী মতুং ইন্না হায়রিবা তীল অসি মালেম লৈশেম্বা মতমদা অতিয়া শিদবগী খুয়াদগী পুথোক্লগা গুরু শিদবগী মনাক্তা থাদুনা লৈপাক লৌহল্লুরগা লৈশেম্নবা হোৎনখি হায়বগী ৱাফম লৈথক লৈখারোল কৌবা পুয়াদা য়াওরি। অতিয়া শিদবা অমসুং অশিবা অনীনা গুরুগী য়াথং মতুং ইন্না মালেম লৈশেম্নবা হন্না হন্না হোৎনবদা হারাবনা নুংশিৎকী মশক লৌদুনা হন্না হন্না চাইখাইরম্মী। মতুং তারকপদা অতিয়া শিদবনা লৈনুং লৈশা অকনবনা লৈশেমগে হায়না খল্লম্মী। মরম অদুনা মাগী খূয়াদগী তকথোক্তুনা কোবী পুথোকখি, মমিংনা লীপিকপী হায়না কৌরে। অতিয়া শিদবনা কোবীদা হায়রকখি-

"কোবীও ইপা গুরু মনাক য়ৌরুও। লৈবাকসু পূক্নুং ঙাইখোং মরম অমা পীনবীরকও হায়না নিরু। লাইশোন অমত্তসু তাকপীরকও হায়রুও।"

মতৌ অসুম্না অতিয়া শিদবগী য়াথং অদু পুরদুনা কোবীনা গুরুগী মনাক্তা চৎখি। গুরুগী মনাক য়ৌরবদা গুরুনা হংলকখি -

"কোবী-ও কৈদৌবা মফমসিদা লাকপনো?"

মদুদা কোবীনা গুরুদা খুন্নম্নগা পাউখুম পীরকখি,

"নচানিপা অতিয়া শিদবনা লৈবাক পূক্নুং ঙাইখোং মরম অমত্তা পীনবিরকও। লৈবাক লৈশেম ঙম্নবা লাইশোন অমত্তসু তাকপীরকও হায়না হায়জরকএ।"

কোবীগী ৱারোল অদু তাবদা গুরুনা নুংশিবীরদুনা লৈবাক পীরকপগা লোয়ননা লাইশোন অমসু তাকপীরকখি। লৈবাক অমদি লাইশোন অদু পুরদুনা কোবী অমুক কাখৎলকখি। অতিয়া শিদবগী মনাক্তা থুংলবগা কোবীনা পাউদম্লকখি,

অতিয়া শিদব-ও নপা গুরু শিদবনা লৈবাকসু, লাইশোনসু অনীমক পীবিরক্লে।

মতৌ অসুম্না কোবীনা লৈবাক অমদি লাইশোন অনীমক অতিয়া শিদবদা শিন্নরম্মী। অতিয়া শিদবনা লৈবাক অদু অশিবদা শিন্নবগা লোয়ননা লাইশোন অদু তাকপীরম্মী। মদুদগী অশিবনা লৈবাক অদু চাইথোক্লগা 'লৈবাক লৈপী তোমশোল নপফা' হায়না লাইশোল শোন্দুনা লৈবাক লৈশেম্বগী থবক অদু য়াম্না নিংথিজনা হোৎনরম্মী। অসুম্না অশিবনা লৈবাক শেম্বগী থবক অদুবু হারাবনা নুংশিৎকী মশক লৌদুনা অমুক হন্না চাইখাইনবা হোৎনরম্মী। গুরুনা হারাবগী থৌওং অদু উবদগী মখোয়দৌদগী নোংথাংলৈমা পুথোক্লগা খূনাউবীদা তোংহন্দুনা অতিয়া শিদবা অমদি অশিবা অনীনা মালেম লৈশেম্বদা হারাবনা য়ৈখায় থিনগায়বা পীরিবদু খঙহল্লম্মী। মদুগা লোয়ননা হারাবগী থবক্তু থিংলুনবা য়াথং পীরম্মী। মদুদগী নোংথাংলৈমনা গুরুগী খূনাউবীদগী চোংথোকখিদুনা অহাঙবা তরংগী মথক্তা তকুপ তরেং ঙান্না লৈরম্মী। মাবু উবদা অঙকপা ফাওবগা লোয়ননা শুমহৎখ্রবা হারাবগা পাউশানরম্মী। অসুম্না পাউশানরিঙৈদা অশিবনা মালেম লৈশেম্বা মায় পাক্লা মপূং ফানা লোইশিনখি।

মতৌ অসুম্না ঐখোয়না লৈরিবসি কোবীনা গুরু শিদবগী মফমদগী লৌরুবা লৈবাক অদুনা লৈশেমখিবা লৈবাক্তুদনি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি। তাইবঙ পানবদা লৈরিবা তীল-কাঙশিং অসিগী মরক্তা কোবী অসি য়াম্না মরু ওইবা, লৈশেম্লোনগা থাদোক্নবা য়াদবা অমনি হায়বসি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মিথ অসিনা ময়েক শেংনা উৎলি। থাঙ্গৈশেংবদি মীওইবনা তীল-কাঙশিংগী অশেংবা মশক খঙনবা হোৎনবগা লোয়ননা তাইবঙ পানবদা লৈরিবা অচৎ-চত্ত পূন্নমক অমগা অমগা তৎনবা য়াদ্রবা মরী লৈনৈ হায়বদু পূন্নমক্তগী অথোইবা ওইরিবা মীওইবনা খঙনবগীদমক অখঙ অহৈশিংনা থম্বীরম্বা অৱাংবা ৱাখল্লোন্নি। মতৌ অসুম্না অতোপ্পা তীল-কাঙশিংগী মরমদা ইপা-ইপুশিংনা তাবুনুংদা করি করি থম্বীরম্বগে হায়বদু থিবা হুম্বগী থৌদাংদি ঐখোয়গীনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৯

১। মৈতৈ পুৱারীদা মৈতৈলৈমা পাইখু লাম্থবী, গোমতী মহারাণীগী ৱারী কান্দুনা চৎপা খক য়াররোই। মহাক কনাসু নত্তে, ইরোম থম্বালনি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা লৌখিবনি।
(ক) ইরোম থম্বাল কৈয়ূম নিংঙোলনো?
(খ) মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা উমংলাই ময়াম খোমগৎলগা ফুমখিবা মফমদু কদায়দনো?

২। "মী শিবা খুদিংমক মী হাৎপগী থবক ওইদে/চুম্না ফনবা তৌবদগী শোয়খিবা কয়া মীহাৎপগী থৌদৌগী মনুং চন্দে।" ৱাফমসি ঐখোয়গী উপন্যাসকার, হিজম গুণনা উপন্যাস অমদা হায়বনি। উপন্যাস অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "লৈরাংবী/লেংশিল্লি নহাক্কী থোৎলবা নখূৎনা/পুন্সি কয়াবু মতমগী লংজাশিংদা।" পরেং অহুম অসিনা কবি ক্ষেত্রি রাজেনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "নোংদোন্দা শীৎপা তিল মায়দা তাই হায়বদু হেক থোক্লেকো।" ৱাফমসিনা 'থাজরুবনা' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অসিগী 'থম্মোয়গী লংলা' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমসু ফোঙখ্রে। মহাক অদু কনানো?

৫। "ফাইরেল থাগী অপাইবা লৈচিনগুম/হল্লক্লো নখোয়গী থৱায় মিরেন্না/লোইবী চীংদা চাক্তাখিবা ইবুংশিং।" পরেং অহুম অসিনা মচল ওইবীশিংনা নীংতম্বা লৌবা চৎখিবা মবুংশিংবু কৌজবনি। 'কৌরি মমানা মচাশিংবু' কৌবা ঈশৈ লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৮গী পাউখুম ৪ চুম্না থাবীরকখিবীদি

১) *সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়* (৪)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৯৮গী ৱিন্নর

*সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়*

লিটরেরি ক্যুইজ ৯৮গী মনা লাম্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম জুলাই ৭, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৮গী পাউখুম

১। কুমজা ১৮৪৪ অসি ঐখোয়গী পুৱারীদা মরুওইবা থৌদোক অনীখক থোকখি। অমনা মতমদুগী য়ুবরাজ নরসিংহবু ইবুংশি নবিন্না থাঙনা শোকহনখিবা। অতোপ্পা অমনা অহানবা পোলিটিকেল এজেন্ট জোর্জ গোর্দোন লমদমসিদা শিখিবা।
(ক) য়ুবরাজ নরসিংহ মশাগী চহী কয়াদা নিংথৌ ওইখিবগে? **: ৫১।**
(খ) পোলিটিকেল এজেন্ট জোর্জ গোর্দোন কদায়দা ফুমখিবগে? **: লংথবাল কোনুং।**

২। "পৃথিবী অসে অকনবগীনি খঙদ্রা? মসিদা অশোনবগী মফম লৈতে- নমদুনা হিংলগা নমদুনা পানগদবনি।" পরেং অনীসি রা.কু. সুরেন্দ্রজিৎকী লীলা অমদগী লৌথোকপনি। লীলাদুগী মমিং হায়য়ু। **: তোর্ব্বান অনী।**

৩। "খোমইনবী মমাশিংনা/নীংঙাইদনা তূম্লি কৌবা তাদনা/মচাশিংনা চিংলি হঞ্জিন হঞ্জিন/খোম খকখ্রবা খোমজিনশিংদুদা।" পরেং মরি অসিনা কবি শরতচান্দগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।
**: য়ূমলিংদবশিংগী য়ূম।**

৪। "য়েংলু খুদিং নঙতবু উরে/... পাল্লিবা হৈরাংসু নঙগী শক্তম/শাৎলিবা লৈসু নঙগী মায়থোঙ।" পরেং অহুম অসিনা আর কে হেমাবতীগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু। **: ঙাওরে ঐসে তশেংনা ঙাওরে।**

৫। "কায়রবা থম্মোয় মচেৎশিং/হৌরসনু লৈপাল ওইনা/মাগী থোঙ্গাল মনাক্তুদা/লৈরাং লৈনম ফংবদা/ঐগী থম্মোয়নি খঙনবা।" পরেং মরি অসিমনা 'কেন্দুনা লৈরম্লবদি থম্মোয় অমা' কৌবা ঈশৈ-শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।
**: জাতিশ্বর তোংব্রম।**